HUEIYEN LANPAO

# অফঘান ফোর্সশিংনা বোর্দর লান্না পাকিস্তানগী লমদা রোকেট কাপশিনবদা মীচম ৬ শিখ্রে, ২০ হেন্না শোকখ্রে

ক্বেটা, দিসেম্বর ১২ (এজেন্সী):
হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাংদা অফঘান ফোর্সশিংনা চমন বোর্দর লান্না পাকিস্তানি টেরিটরিদা রোকেট কয়া কাপশিনবদা য়ামদ্রবদা মীচম তরুক শিরে অমসুং ২০ হেন্না অশোক অপন নঙলে হায়না লোকেল মেদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।



টালিবানন্না কাবুলদা অমুক হন্না পৱার পায়রকখিবদগী য়ুমথংনরিবা লৈবাক অনীগী মরক্তা উংখৎনবা হেনগৎলকখিবগা ইরোয়নন্না থৌদোক অসি থোক্লক্লিবনি হায়রি।

মশক মমিং খঙহন্নিংদবা এদমিনিষ্ট্রেসনগী সেনিয়র ওফিসল অমনা এক্সপ্রেস ট্রিব্যুনদা ফোঙদোকখিবদা অফঘান ফোর্সশিংনা কাপশিল্লকখিবা রোকেটশিং অদু কিলি সেখ লাল মোহমদতা তাশিল্লকখি। অফঘান পাকিস্তানগী মায়কৈদগী চথুরকখিবা রোকেট এটেক অদুদা সিভিলিয়ন তরুক শিখিবগা লোয়নন্না অতৈ ২০ হেন্না অশোক অপন নঙখি।

মিলিটরিনসু থৌদোক অদু কনফার্ম তৌরদুনা হায়খি, মদুদি কায়হৌরুবা তৌদনা অফঘান বোর্দর ফোর্সশিংনা আর্টিল্লরি/মোর্টার য়াওনা অচৌবা খুৎলায়শিং শীজিন্নদুনা বেলোচিষ্টানগী মনুং চনবা চমনগী মীচমশিংগী মরক্তা কাপশিল্লকখি। মদুদা সিভিলিয়ন তরুক শিখিবগা লোয়নন্না অতৈ মীওই ২০ লোমসু অশোক অপন নঙখি।

ইন্টর-সার্ভিসেস পব্লিক রিলেসন্স (আই এস পি আর) না ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, অফঘান সাইটতগী চথুরক্লিবা অকন অরিং শীংবগী থৌওংশিং অদুদা পাকিস্তানি ফোর্সশিংনসু মীচমশিংদসু মীশি মীনা থোকহন্দনবগী মওংদা পাউখুম পীখি। কায়হৌরুবা তৌদনা চথুরকখিবা এটেক অদুগী পাউখুম ওইনা পাকিস্তানি বোর্দর টুপশিংনা মতিক চাবা পাউখুম পীখি। তৌইগুম্বসুং এরিয়া অদুদা লৈরিবা মরাল লৈজদবা মীওইশিংদা শোকহন্দনবা মওংদা অফঘান সাইটতা মওং তানা রেস্পোন্স পীখি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুদা পনখি।

মিলিটরিগী মেদিয়া ৱিং অসিনা মখা তানা হায়খি, বোর্দরদা ওইরক্লিবা অরুবা ফিভম অদু খঙহন্নবগীদমক্তা পাকিস্তাননা অফঘান ওথোরিটিশিংগা পাউ ফাওনখি অমসুং মতুং তাবদা অসিগুম্বা থৌদোক অমুক হন্না থোকহন্দনবা থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা অরান অহুইগী থৌওংশিং চথুরিবশিংগী মায়োক্তা অকনবা এক্সন লৌখৎনবা তকশিনখি।

অশিবা অমদি অশোকপা মীওইশিং চমন সিভিল হোস্পিটালদা পুখৎখি। তৌইগুম্বসুং হোস্পিটাল অসিগী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ডাক্তর মালিক হাজাকচাইনা মীওই তরুক শিরে হায়না ফোঙদোরকখি।

মহাক্কী মতুং ইন্না থৌদোক অদুদা শোক্লিবা মীওইমশিং ৩০ রোম্নি। কিলি সেখ লাল মোহমদকী মীওইশিংনা ফোঙদোকখিবদা খঙহৌদনা অফঘান সাইটতগী রোকেট কাপশিনবা হৌরকখি। রোকেট কয়া মখোয়গী য়ুমশিংগা নকশিন্ননা তাশিল্লকখি। হৌখিবা থাদা নুমিৎ নিপাননি চুপ্পা থিংজিল্লুরবা পাকিস্তান-অফঘানিষ্টান বোর্দর চমন নবেম্বর ২১ দা অমুক হাংদোকখিবনি। তৌইগুম্বসুং খ্বাইদগী নৌবা থৌদোক অসিনা মরম ওইদুনা বোর্দর অদু অমুক হন্না থিংজিনখ্রে হায়রি।

পাকিস্তানগী পিএম সেহবাজ সারিফনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা থৌদোক অদুবু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখিবগা লোয়নন্না হৌজিক ফাওবা মালেমগী লৈবাকশিংনা শকখঙদ্রিবা অফঘান ইন্টরিম গভর্ণমেন্টদা অসিগুম্বা থৌদোকশিং অমুক হন্না থোকহন্দনবগী খোঙথাংশিং লৌখৎনবা তকশিনখ্রে হায়নসু ফোঙদোকখি।

# সাউথ কোরিয়া অমসুং চাইনানা মতম খরা লেপ্লুরবা ইকনোমিক, ট্রেদ কোওপরেসনগী দাইলোগ অমুক হৌখ্রে

সিওল, দিসেম্বর ১২ (এজেন্সী):
সাউথ কোরিয়া অমসুং চাইনানা বিজিনেস লিদরশিং, হান্নগী অমসুং হৌজিক্কী গভর্ণমেন্ট ওফিসলশিংনা শরুক য়াবা বিজিনেস দাইলোগ নিংথৌকাবা নুমিত্তা পাঙথোকখ্রে।




লৈবাক অনীগী লুচিংবশিংগী মরক্তা হৌখিবা নবেম্বরদা সম্মিট অমা পাঙথোকখিবা মতুংদা খোঙথাং অসি লাকপনি। জি-২০ গী মীফমগী নাকোয়নন্না হৌখিবা নবেম্বরদা বালিদা পাঙথোকখিবা অহানবা সম্মিট অদুদা সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট য়ুন সুক-য়িওল অমসুং চাইনিজ প্রসিদেন্ট সি জিনপিংনা অৱাংবা থাক্কী ৱারী শান্নবা হেনগৎহনবা অমসুং ১.৫-ট্রেদ পব্লিক-প্রাইভেট দাইলোগ প্লেটফোর্মশিং পুক্লিং থৌগৎপা য়াওনা হিরম কয়াগী মতাংদা য়ানবা পুরকখিবনি।

কোরিয়া চেম্বর ওফ কর্ম্মস এন্দ ইন্দষ্ট্রি (কে সি সি আই) অমসুং বৈজিংদা বেজ তৌবা থিঙ্ক টেঙ্ক চাইনা সেন্টর ফোর ইন্টরনেসনেল ইকনোমিক একচেঞ্জেস (সি সি আই ই ই) না পুন্না শীনমিন্নখিবা বিজিনেস দাইলোগ অদু বাই লেটরেল ইকনোমিক কোওপরেসন চাওখৎহন্নবগী চেনেল অমা ওইনা কুমজা ২০১৮ দা লিংখিবনি। তৌইগুম্বসুং কোভিদ ১৯ পেন্দামিক্কা মরম ওইদুনা কুমজা ২০১৯ দগী সস্পেন্দ তৌরকখি। নিংথৌকাবা নুমিৎকী সেসন অদু ভার্চুএল ওইনা পাঙথোকখি। ফোরম অদুগী মনুংদা মখোয়না বাই লেটরেল ইকনোমিক পার্টনরশিপ করন্না শীংথানিংঙাই ওইবা লেভেল অমদা পুখৎকদগে হায়বগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি। মখোয়না জোইন্ট ষ্টেটমেন্ট অমা ইস্যু তৌরদুনা লন্বী অনীগী ওইবা ট্রেদ ষ্টেবল ওইহন্নবা কোরিয়া-চাইনা ফ্রি ট্রেদ এগ্রিমেন্টগী অনীশুবা তাঙ্কক্কী মতাংদা থুনা য়ানবা অমা পুরক্নবগী ৱাফম য়ানরে হায়খি।

সার্ভিস অমসুং ইনভেষ্টমেন্ট সেক্তরশিংগী ওইবা মার্কেটশিংদা রেষ্ট্রিক্সন অমত্তা লৈহন্দনবগী ৱাফম য়াওনা এফ টি এ হেন্না পাকথোক চাওথোকহন্নবা সিওল অমসুং বৈজিংগী মরক্তা ৱার্কিং-লেভেলদা ৱারী শান্নদুনা লাকখি। কোরিয়া-চাইনা এফ টি এ অচৌবা টেরিফশিং লৌথোক্তুনা কুমজা ২০১৫ গী দিসেম্বরদগী চৎনবা হৌখি।

মখোয়না লৈবাক অনী অসিগা লোয়নন্না এসোসিএসন ওফ সাউথ ইষ্ট এসিয়ন নেসন্স (অসিয়ন) সু য়াওগদবা অচৌবা ট্রেদ পেক অমা ওইরিবা রিজনেল কম্প্রিহেন্সিব ইকনোমিক পার্টনরশিপ (আর সি ই পি) গী ফ্রেমৱার্কমনুংদা কো ওপরেসন হেনগৎহন্নবা হোৎনমিন্নবগী ৱাফমসু য়ানখি। অতৈ প্রপোজেলশিংগী মনুংদা সষ্টেনেবল গ্রোঠ অমসুং কার্বোন ইমিসনগী গোলশিংগা মরী লৈননা ইন্টরনেসনেল কো ওপরেসন অমসুং পোলিসি একচেঞ্জশিং হেনগৎহনবসু য়াওখি।

# গনমেনশিংনা অফঘান কেপিটেল কাবুলদা লৈবা চাইনিজ হোটেল অমদা এটেক তৌখ্রে

কাবুল, দিসেম্বর ১২ (এজেন্সী):
অফঘানিষ্টানগী কেপিটেল কাবুলদা লৈবা চাইনিজ সিটিজনশিংনা তোইনা চঙনবা হোটেল অমদা মশক খঙদবা গনমেনশিংনা এটেক তৌখি হায়না লোকেল মেদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোকখ্রে।



সাহর-নাউ এরিয়াগী মীওইশিংনা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা মখোয়না নোংমৈ কাপ্পা অমদি বোম পোকখায়বগী মখোল কয়া তাখি। এটেক অদু চাইনিজ সিটিজন কয়া লৈবা মফম অমদা চথুখিবনি।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, গনমেনশিংনা থোমজিনখিবা বিল্ডিং অদু অফঘান কেপিটেলদা লৈরিবা চাইনিজ বিজিনেসমেনশিংনা তোইনা চঙনবা বিল্ডিংনি।

চৈরকসিদা টোলো ন্যুজকী হান্নগী করেস্পোন্দেন্ট অমনা এটেক অদুগী ভিজুএলশিং মীয়ামদা শেয়ারকপদগী টালিবাননা লৈঙাক্লিবা লৈবাক অদুদা চাইনিজ গভর্ণমেন্টগী মায়কৈদগী করি করি রিএক্সন লাকপা য়াবগে হায়না ঙাঙনা শঙ্কখ্রে হায়রি।

রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না খুৎলায় পায়বা মীওই কয়া কাবুলদা লৈবা চাইনিজ হোটেল অমদা চঙশিনখি অমসুং মখোয়না হোটেল অদুদা চঙশিনখিবদগী নোংমৈ কাপ্পবা অমদি পোকখায়বগী মখোল কয়া লেপ্তুনা তাখি। কাবুলগী অরু অনানগী মফমদা লৈবা হোটেল ষ্টার-ই-নাউদা খুৎলায় পায়বা এটেক্করশিং অদু থোমজিনখি হায়না ছোর্সশিংনা ফোঙদোকখি।

অপদেট অদু কনফার্ম তৌরদুনা লোকেল মেদিয়া করেস্পোন্দেন্ট অমনা গনমেনশিংনা থোমজিল্লিবা হোটেল অদুগী ভিজুএলশিং থাগৎখি। মহাক্কী ৱারোলদা এটেক্কর খরা হোটেল অদুগী মনুংদা চঙখিবদগী লান কন্না শোক্লরি হায়না পনখি।

মফম অদুগী অকোয়বদা লৈবা মীওইশিংনা টোলো ন্যুজনা হায়খি, মখোয়না পোকখায়বা অমদি নোংমৈ কাপ্পগী মখোল কয়া তাখি। অদুম ওইনমক অফঘানিষ্টানগী সেক্যুরিটি ওফিসলশিংনদি দিভলপমেন্ট অদুগী মতাংদদি ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকখিদে।

এটেক্কী রিপোর্টশিং অদুগা মরী লৈননা ইস্লামিক ইমিরেটস অসিগী স্পোক্স পার্সন জাবিহুল্লা মুজাহিদনা হায়খি, কাবুল সিটিগী সাহর-ই-নাউ দিষ্ট্রিক্টকী হোটেল অমদা চথুখিবা এটেক খুৎলায় পায়বা মীওই অহুম হাৎখিবগা লোয়নন্না লোইশিনখ্রে।

হোটেল অদুগী গেষ্ট পুম্নমক কনখি অমসুং থৌদোক অদুদা ফোরেন্নর অমত্তা শিখিদে। ফোরেন এজেন্ট অনী মশা হিংননবা হোৎনবদা হোটেল বিল্ডিং অদুদগী চোংথবদা শোকখি হায়না মুজাহিদনা মখা তাখি।

পনবা য়াবদি, কাবুলদা লৈবা চাইনিজ এম্বেসেদর ৱাং য়ুনা টালিবানগী ফোরেন মিনিষ্টর সের মুহমদ অবাস ইষ্টাঞ্জাইগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে হায়না অফঘানিষ্টানগী ফোরেন এফিয়র্সকী স্পোক্সপার্সন অমনা ফোঙদোরকখিবা মতুং মথংগী নুমিত্তা হোটেলগী থৌদোক অদু থোরকপনি।

# টর্কি, য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্টশিংনা গ্রেন দিল হেন্না পাকথোক চাওথোকহন্নবগী ৱাফম খন্নখ্রে

অঙ্করা, দিসেম্বর ১২ (এজেন্সী):
টর্কি অমসুং য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্টশিংনা গ্রেন দিল হেন্না পাকথোক চাওথোকহন্নবা অমদি য়ুক্রেন-রসিয়া কনফ্লিক্টকী মতাংদা ফোনদা ৱারী শান্নদুনা খন্নখ্রে হায়না টর্কিজ-য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্টশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

নোংমাইজিং নুমিত্তা টর্কিগী প্রসিদেন্ট রিসেপ টায়িব ইর্দোগাননা য়ুক্রেনগী মহাক্কী লেঙমান্নবা বোলোদিমির জেলেন্সকিদা হায়খি, টর্কিনা নিংথম থাগী ঈংলবা মতমদা য়ুক্রেনগী মীয়ামগী তঙাই ফদবা পোৎলমশিং ফঙহন্নবা মখা তানা লেপ্তুনা হোৎনগনি। গ্রেন কোরিদোর অদু তোঙান তোঙানবা চিঙ্গাক্কী পোথোকশিং অমসুং অতৈ তঙাই ফদবা পোৎলমশিং য়াওহন্দুনা হেন্না পাকথোক চাওথোকহনবা য়াগনি হায়না ইর্দোগাননা ফোঙদোকখি।

ষ্টেটমেন্ট অদুদা মহাক্না য়ুক্রেনগী খা থংবদা লৈবা জাপোরিজিয়া ন্যুক্লিয়র পৱার প্লান্ট ইস্যুগী মতাংদা সোলুসন অমা পুরকপা য়ারগনি হায়বগী থাজবসু ফোঙদোকখি। জি ২০ সম্মিটতা জেলেন্সকিনা লাউথোকখিবা পিছ প্লান ইমপ্লিমেন্ট তৌননবা কদায় ফাওবগী চাংদা কন্ট্রিব্যুসনশিং লাক্কদগে হায়বদু টর্কিনা পাদুনা লাক্লি হায়নসু প্রসিদেন্ট ইর্দোগাননা য়ুক্রেনগী মহাক্কী লেঙমান্নবদা ফোঙদোকখি।

ইর্দোগাননা মখা তানা হায়, টর্কিগী ফার্ষ্ট লেদি এমিন ইর্দোগান য়ুক্রেনগী মমা মপা লৈজদ্রবা অঙাংশিং য়াওনা মীওই ১০৩৩ গী গ্রুপ অমগা য়াম্না নক্লনা মরী লৈনৈ। গ্রুপ অসিগী ওইবা মীফম অমা টর্কিজ কেপিটেল অঙ্করানা হোষ্ট ওইদুনা পাঙথোকখ্রে। মদুগী মমাঙদা ইর্দোগাননা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট পুটিনগসু ফোনদা ৱারী শান্নখি। মদুদা মখোয়না টর্কি-রসিয়াগী মরী, ব্লেক সী গ্রেন কোরিদোরগী খুথাংদা তঙাই ফদবা পোৎলমশিং এক্সপোর্ট তৌবা অমসুং টর্কিজ-সিরিয়ন বোর্দর টেররিজমগী মায়োক্তা চঙশিল্লিবা লাঞ্জংনচিংবা ৱাফমশিং খন্নখি হায়না টর্কিজ প্রসিদেন্ট অসিনা ফোঙদোকখি। য়ুক্রেন অমসুং রসিয়াগী কনফ্লিক্ট মরক্তা মালেমগী কৈথেলদা হৱাই চেঙৱাইশিং অমসুং ফর্টিলাইজর সপ্লাইশিং শোইদনা ফঙহন্নবগী পান্দমগা লোয়নন্না হৌখিবা জুলাই ২২ দা রসিয়া অমসুং য়ুক্রেননা ইষ্টানবুলদা টর্কি অমসুং য়ুএনগা তোঙান তোঙানবা দোক্যুমেন্ট অমা খুৎয়েক পীনখিবনি।

# ৱেষ্ট বেঙ্কতা ইজরেল্লি লান্মীশিংনা পলেষ্টিনিয়ন নুপীমচা অমা হাৎখ্রে



রমালা, দিসেম্বর ১২ (এজেন্সী):
ইজরেল্লি লান্মীশিংনা ৱেষ্ট বেঙ্ককী অৱাং থংবা সিটি জেনিমদা থোমজিন্দুনা চথুখিবা রেইদ অমদা মশাগী চহী ১৬ শুরবী পলেষ্টিনিয়ন নুপীমচা অমা শিখ্রে হায়না পলেষ্টিনিয়ন মেদিকশিং অমসুং থৌদোক অদুবু উহৌবশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টেটমেন্ট অমদা পলেষ্টিনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্‌ঠনা হায়খি, জেনিম সিটিগী জানা জকরনে কৌবী নুপীমচা অদু ইজরেল্লি লান্মীশিংনা নোংমৈ কাপ্লকপদা মরু তরেৎনা পাল্লগা শিখি।

লোকেল ছোর্সশিং অমসুং থৌদোক অদুবু উহৌবশিংনা হায়খি, মদুদি আর্মর ভেহিকলশিংনা বেক্কিং পীবা ইজরেল্লি আর্মিগী স্পিসল ফোর্স অমনা পলেষ্টিনিয়ন অনী ফাননবগীদমক্তা জেনিম সিটিদা থোমজিল্লকখি। পলেষ্টিনিয়ন অনী অদু ইজরেলগী মায়োক্তা এটেক কয়া চথুখিবদা চেন্নবগীদমক্তা ইজরেল সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ফাননবা হোৎনরকখিবনি।

পলেষ্টিনিয়ন রেদ ক্রেসেন্ট সোসাইনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, অশোক অপন নঙলবা পলেষ্টিনিয়ন মরি সিটি অদুগী মরু ওইবা হোস্পিটালদা পুখৎখি। উহৌবশিংনা মখা তানা হায়খি, পলেষ্টিনিয়ন অনী অদুবু ফাখিবা ইজরেল্লি লান্মীশিং অমসুং পলেষ্টিনিয়ন সুটর কয়াগী মরক্তা কন্না খুৎ থোক্লুখি। নাকল অনী খুৎ থোক্লুবা অদুদা মফম অদুদা পোকখায়বগী থৌদোক কয়াসু থোকখি।

জেনিম সিটিদগী ইজরেল্লি ফোর্সশিং হন্দোকখ্রবা মতুংদা মফম অদুগী মীওইশিংনা পলেষ্টিনিয়ন নুপীমচা অদু মশাদা নোংমৈ মরুনা পানবগী মফম তরেৎকা লোয়নন্না মহাক্কী ময়ুমগী য়ুমথক্তা তারম্বা থেংনখি। নুপীমচা অদুগী মীশিগী মতাংদা ইজরেল্লি ওথোরিটিশিংনা খুদক্কী ওইনা পাউখুম অমত্তা ফোঙদোরকখিদে।

ওফিসল ইজরেল্লি ফিগর্সকী মতুং ইন্না পলেষ্টিনিয়নশিংনা পরিং নাইনা এটেক কয়া চথুরকখিবদগী ইজরেল্লি আর্মিগী গ্রাউন্দ ওফেন্সিবশিংসু কনখৎলকখি। পলেষ্টিনিয়নশিংগী এটেকশিং অদুদা ইজরেল অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্কতা ইজরেল্লি ২০ গী মথক্তা শিখ্রবনি।

ওফিসল পলেষ্টিনিয়ন ফিগর্সকী মতুং ইন্না হৌখিবা জনুৱারীদগী হৌজিক ফাওবদা পলেষ্টিনিয়ন ২০০ হেন্না শিখ্রে। মখোয়গী মনুংদা গাজা ষ্ট্রিপতা শিখিবা মশিং ৫০ হেনখি। পলেষ্টিনিয়ন অয়াম্বা ৱেষ্ট বেঙ্ককী অৱাং থংবা সিটিশিং ওইরিবা জেনিম অমসুং নেব্লসতা শিখিবনি হায়রি।

# এটেক্তা মিলিটেন্ট অহুম, লান্মী অমা শিখ্রে

বাঘদাদ, দিসেম্বর ১২ (এজেন্সী):
ইরাক্কী অৱাং থংবা প্রোভিন্স কিরকুপতা নোংমাইজিং নুমিত্তা চথুখিবা এয়র ষ্ট্রাইক অমা অমসুং আই এস মিলিটেন্টশিংগী তোঙানবা এটেক অমদা ইস্লামিক ষ্টেট (আই এস) মিলিটেন্ট অমসুং ইরাক্কী লান্মী অমা শিখ্রে হায়না সেক্যুরিটি ছোর্সশিংনা হায়রি।

কিরকুপ ওপরেসন্স কম্মান্দগী কম্মান্দর জাবর অল-টায়িনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মদুদি বাঘদাদকী অৱাংলোমদা কিমি ২৫০ রোম লাপ্পা লৈবা প্রোভিন্সিএল কেপিটেলগী অলটুন কুপ্রি এরিয়াদা লৈবা আইএসকী লোৎফম অমদা ইরাক্কী এয়রক্রাফটনা বোম্বিং এটেক চথুখিবদা আই এস মিলিটেন্ট অহুম শিখি। তোঙানবা থৌদোক অমদা আই এস মিলিটেন্টশিংনা কিরকুপ সিটিগী নোংপোক থংবা কোলান এরিয়াদা লৈবা আর্মি বেজ অমদা এটেক চথুরকখিবদা লান্মী অমা শিখ্রে অমসুং অতোপ্পা অমনা অশোক অপন নঙখ্রে হায়না কিরকুপ পুলিসকী মেজর ইসান অল-বয়াটেনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।বাঘদাদকী অৱাংদা লৈবা সলাউদ্দিন প্রোভিন্সকী অল-৮ এরিয়াদা আইএস মিলিটেন্টশিংনা কার অমদা এটেক তৌবদা মদুদা তোঙলিবা সিরিয়ন অনী শোকখি হায়না প্রোভিন্সিএল পুলিসকী ছোর্স অমনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা থা খরা অসিদা ইরাক্কী সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা এক্সট্রিমিষ্ট মিলিটেন্টশিংগী মায়োক্তা ওপরেসন চথুদুনা মখোয়গী এক্তিভিটিশিং লাকশিনবগী থবক কনশিনখি।

# জে ই এম, এল ই টিদা ফন্দ থৈখিবা য়াবা য়ু এন এস সিগী রিজোলুসন ভোট লৌনবদা ইন্দিয়াদমক য়াওখিদ্রে

ন্যু য়োর্ক, দিসেম্বর ১২ (এজেন্সী):
লাস্কর-ই-টাইবা (এল ই টি) অমসুং জাইস-ই-মোহম্মদ (জে ই এম) গুম্বা টেররিষ্ট গ্রুপশিংদা মালেমগী তেঙবাং থৈহনখিবা য়াবা য়ুএন সেক্যুরিটি কাউন্সিলগী রিজোলুসন অমা ভোট লৌনবদা শুপ্পগী ইন্দিয়াদমক য়াওখিদ্রে।



রিজোলুসন অদুবু নোংচুপলোমগী লৈবাকশিং অমদি চাইনা অমসুং রসিয়ানা শৌগৎখি। সেক্যুরিটি কাউন্সিলগী অতৈ মেম্বর ১৪ মক্না সপোর্ট তৌখিবা ইরাই নুমিত্তা য়ানখিবা রিজোলুসন অদুনা টেররিষ্টশিংদা থল্লিবা য়ুএনগী অথিংবশিংদা হ্যুমেনিটরিয়ন এসিষ্টেন্সকী প্রোভিজন চহী ২ একজেম্প তৌবগী ৱাফম য়াওই।

ভোট লৌনবা অদুদা য়াওখিদ্রবা মতুংদা ইন্দিয়াগী পার্মেনেন্ট রিপ্রজেন্টটিব রুচিরা কম্বোসনা হায়, খোঙথাং অদুনা টেররিষ্ট গ্রুপশিংদা থল্লিবা য়ুএনগী অথিংবশিং ফাগী তাহল্লে। ৱাফম অসি ফোঙদোকপগা লোয়নন্না অসিগুম্বা একজেম্পসনশিং অসিনা টেরর এন্টিটিশিংবু লমদম অসিগী পোলিটিকেল ফিল্ডদা খোঙদারক্নবগী খুদোংচাবা লৈহল্লগনি হায়না ৱার্নিং তৌখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, কাউন্সিলনা লিষ্ট তৌখিবশিং য়াওনা ঐখোয়গী লমদমদা টেররিষ্ট গ্রুপ কয়া ওপরেট তৌরি। মখোয়না হ্যুমেনিটরিয়ন ওর্গনাইজেসনশিং অমসুং সিভিল সোসাইটি গ্রুপশিংগী শক্তম অমুক লৌদুনা মালেমগী অসিগুম্বা অথিংবশিংদগী নাথৈনবা হোৎনরি। টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসনশিং অসিনা ফন্দশিং খোমগৎনবা অমসুং ফাইটরশিং রিক্রুট তৌনবা হোৎনবা হ্যুমেনিটরিয়ন এসিষ্টেন্স স্পেসকী অম্বেল্লা অসি শীজিন্নরি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, কাউন্সিলনা টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসনশিং অসিনা চথুরিবা থৌওংশিং অদু খঙবগা লোয়নন্না এল ই টিগা মরী লৈনবা অল-অক্তর ট্রস ইন্টরনেসনেলগুম্বা ফ্রন্ট ওর্গনাইজেসনশিং নত্ত্রগা জে ই এমগা মরী লৈনবা অল রাসিদ ট্রসকুম্বা ওর্গনাইজেসনশিংগা শম্নবা মীওইশিং অথিংবা কয়া থমখিবনি।

চাইনাগী দিপ্যুটি পর্মেনেন্ট রিপ্রজেন্টেটিবনা গেঙসুৱাংনা একজেম্পসন অদুবু শৌগৎলদুনা বৈজিংনা অসিগুম্বা খোঙথাংশিং লৌখৎনবা মমাঙদসু হৌদোকপা লৈখ্রে অমদি রিজোলুসন অদুগী কো স্পোন্সর আইয়রলেন্দ অমসুং য়ুএসনা বৈজিংগী ৱাফম অদুবু য়াখি হায়না ফোঙদোকখি।

# চহী অহুমলোমগী মতুংদা জাফনা অমসুং চেন্নাইগী মরক্তা অমুক হন্না ফ্লাইট ওপরেসন হৌখ্রে

কলম্বো, দিসেম্বর ১২ (এজেন্সী):
কোভিদ পেন্দামিক্না মরম ওইদুনা চহী অহুমলোম লেপ্লুরবা তুংদা চেন্নাই অমসুং নোর্দন শ্রী লঙ্কাগী পলালিগী মরক্তা নিংথৌকাবা নুমিত্তগী অমুক হন্না ফ্লাইট ওপরেসন হৌখ্রে।




এয়র ট্রাবেল মখা চথবা হৌরদুনা চেন্নাই ইন্টরনেসনেল এয়রপোর্টতগী লাকপা ফ্লাইট অমা নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক পুং ১০.৫০ রোম তাবদা পলালিদা থুংখি অমসুং অয়ুক পুং ১০.৩০ রোম তাবদা চেন্নাই তম্না অমুক পাইখি।

শ্রী লঙ্কান সিভিল এভিএসন ওথোরিটিগী মতুং ইন্না দেষ্টিনেসন অনী অসিগী মরক্তা চয়োল অমগী মনুংদা ফ্লাইট মরি ওপরেট তৌগনি অমসুং জর্নিশিংগী মশিং তুংদা হেনগৎলক্কনি।

সিভিল এভিএসন ওথোরিটিগী চিয়ারমেন মেজর জেনরেল জিএ চন্দ্রশ্রীনা মেদিয়াদা হায়, থা তরুক্লোম খন্ন-নৈনরক্লবা মতুংদা ইন্দিয়াগী এল্লায়ন্স এয়রগী ফ্লাইটশিং চেন্নাইদগী জাফনাদা পায়রক্লবগী অমদি ফ্লাইটশিং অদু অমুক চেন্নাইদা হন্নবগী ফেসিলিটিশিং শীন লাংখি। মতুং তাবদা ফ্লাইট মশিং হেনগৎহন্নবা ঐখোয়না থৌরাং তৌরি হায়নসু চিয়ারমেন অসিনা ফোঙদোকখি।

এটিআরনা নিংথৌকাবা, লৈবাকপোকপা, শগোলশেল অমসুং থাংজ খুদিংগী দাইরেক্ট ফ্লাইট ওপরেসনশিংদা এয়রক্রাফট ৭২ শীজিন্নগনি। এল্লায়ন্স এয়রনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, ঐখোয়গী য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিংগা শম্নবগী মীৎয়েংগা লোয়নন্না খ্বাইদগী নক্লবা সিটি হবশিংগা শম্নদুনা ঐখোয়গী য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিংগা হেন্না ফবা এয়র কন্নেক্টিভিটি লৈহনবা হায়বসি ঐখোয়গী অপাম্বনি।

কোভিদ পেন্দামিক্কী মমাঙদা এল্লায়ন্স এয়রনা কর্ম্মসিএল ইন্টরনেসনেল ফ্লাইট ওপরেট তৌখি। গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী সপোর্টকা লোয়নন্না এল্লায়ন্স এয়রনা অমুক হন্না ফ্লাইট ওপরেসন অসি হৌদোল্লগনি।

মখা তানা এয়রলাইন অসিনা হায়, ফ্লাইট অসি তোঙান তোঙানবা মওংদা অখন্নৈ। এল্লায়ন্স এয়রনা অহানবা ওইনা ইন্টরনেসনেল ফ্লাইট ওপরেসন তৌবদা নত্তনা মসিনা চহী ৪১ গী মতুংদা চেন্নাইগা জাফনাগা শম্নহল্লে। দিল্লি, কোইম্বেটুর, অহমেদবাদ, হায়দ্রবাদ, বেঙ্গলোর, মুম্বাই, দুবাই, ট্রিবান্দ্রাম অমসুং মুস্কাটকী ট্রাবেল্লরশিংনা চেন্নাই ফাওরগা জাফনা য়ৌবগী ওপসন অসিনা মখোয়গী খোঙচৎ অদু হেন্না খুদোংচাহনগনি।

এয়রলাইন অসি মমাঙদা এয়র ইন্দিয়াগী সবসিদরি অমা ওইরম্বনি। নেসনেল কেরিয়র অসি দাইবেষ্টমেন্টগী খোঙথাং অমদা চহী অসিগী জনুৱারীদা টাটা গ্রুপতা শিন্নখিবনি। জাফনা অমসুং শ্রী লঙ্কাগী অতৈ অৱাং থংবা লমদমশিংদা তারিবা তামিল অয়াম্বা চেন্নাই অমসুং তামিল নাদু ষ্টেটকা পুৱারী, কলচর অমসুং লাইনিং লাইশোনগা মরী লৈনৈ হায়নসু ফোঙদোকখি।

# সাউথ কোরিয়ানা নোর্থ কোরিয়াগী হ্যুমেন রাইটসকী মতাংদা ইন্টরনেসনেল ফোরম পাঙথোক্লগনি

সিওল, দিসেম্বর ১২ (এজেন্সী):
নোর্থ কোরিয়াগী হ্যুমেন রাইটস ইস্যুগী মতাংদা মীয়াম্বু ৱাখল তাবা হেনগৎহন্নবগী শরুক অমা ওইনা নোর্থ কোরিয়াগী হ্যুমেন রাইটসকী ফিভমগী মতাংদা চহীগী ওইবা ইন্টরনেসনেল ফোরম অমা পাঙথোক্লগনি হায়না সাউথ কোরিয়াগী য়ুনিফিকেসন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

সব-সেসন অনী লৈগদবা সেমিনার অদু নোর্থ কোরিয়াগী হ্যুমেন রাইটস রেকোর্দশিংগা মরী লৈনবা মরু ওইবা ইস্যুশিং অমসুং তুংগী ওইবা থবকশিংদা মীৎয়েং থম্বা থিমগী মখাদা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা হৌগনি হায়না মিনিষ্ট্রি অসিগী স্পোক্সপার্সন চো জুং হুননা প্রেস ব্রিফিং অমদা ফোঙদোকখি।

সিওলদা লৈবা য়ুএন হ্যুমেন রাইটস এজেন্সিনা স্পোন্সর তৌগদৌরিবা ফোরম অদুদা য়ুনিফিকেসন মিনিষ্টর ক্বান য়ং-সেনা হৌদোক ৱারোল পীগনি অমসুং হান্নগী য়ুএন সেক্রেটরি জেনরেল বান কি-মুননা মহাক্কী ওইবা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোকপগী ৱারোল পীগনি।

সেমিনার অদুগী মোদরেটরশিংগী মনুংদা নোর্থ কোরিয়াকী হ্যুমেন রাইটসকা মরী লৈনবা সাউথ কোরিয়াগী অনৌবা এনভোই লি সিন-হৱা য়াওরি। কুমজা ২০১৭ দগী চহী খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকপা ফোরম অদুনা নোর্থ কোরিয়াগী হ্যুমেন রাইটসকী ওইবা য়ুএসকী হান্নগী স্পিসল এনভোই রোবার্ট কিং য়াওনা মপানগী অমদি সাউথ কোরিয়াগী এক্সপার্টশিং পুলহন্দুনা ইস্যু অসিগী মতাংদা কুপ্না খন্নবগা লোয়নন্না মীয়ামদা এৱার্নেস পীগনি হায়রি।

# কানাদাগী ইকমন্টোনদা সিখ নহা অমসু নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে

টোরোন্টো, দিসেম্বর ১২ (এজেন্সী):
কানাদাগী অলবার্টা প্রোভিন্সতা সিখ নহা অমা নোংমৈনা পানবদগী শোক্লবা মতুং লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদ্রে। মশাগী চহী ২৪ শুরবা সমরা সিংহ কৌবা সিখ নহা অদু কানাদাদা সিখ কয়া পরিং নাইনা হাৎলকখিবগী থৌদোকশিংদা খ্বাইদগী নৌবা থৌদোক্নি।

মীশি অদুগা মরী লৈননা পুলিসনা ফোঙদোকখিবদা দিসেম্বর ৩ গী নুমিদাং পুং ৮.৪০ রোম তাবদা অলবার্টাগী কেপিটেল ইকমন্টোনগী ৫১ ষ্ট্রিট অমসুং ১৩ এভেন্যুগী এরিয়াদা নোংমৈ কাপ্পগী পাউশিং ফঙবদগী পুলিস কাঙবু অমা মফম অদুদা চঙশিনখি। মখোয়না মফম অদু হেক য়ৌবগা মেদিকেলগী মতেং মথৌ তাবা নুপা অমা গাড়ী অমগী মনুংদা ফম্লম্বা থেংনখি। পুলিস কাঙবু অদুনা মহাকপু ফর্ষ্ট এইদ পীদুনা লায়কন্নখি। ঙাইহাক্কী মতুংদা পেরা মেদিকশিং থুংলখি অমসুং মখোয়না মীওই অদু শিরে হায়না লাউথোরকখি। ইকমন্টোন মেদিকেল একজামিনরনা দিসেম্বর ৭ দা অশিবা হকচাংদুগী ওটোপসি অমা পাঙথোকপগা লোয়নন্না মহাক সমরাজ সিংহ (২৪) কৌবা সিখ নহা অমনি হায়বসি খঙবা ঙমখি।